# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, NOVEMBER 10, 2018 PAGE 7




*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী এসিস্টেন্ট কোচ ওইনা খনখ্রবা ইন্দিয়াগী হান্না বেটসমেন ওইরম্বা মোহমদ কেফ*

*আইটিটিএফ ওষ্ট্রিয়ান ওপনদা ৱার্ল্ড নম্বর ১৬ মার্কোস ফ্রিয়েটাসপু মায়থিবা পীরম্লগা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর জি সাথিয়ান*



## ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচ অমদা মুম্বাইনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু ১-০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবদা হাইগৎখ্রে





*মুম্বাইগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা আর্নোল্ড ইসোকো (য়েৎ) না টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*গুৱাহাটি, নবেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফসিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা ইনিদরা গান্ধী এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ অমসুং মুম্বাই সিটি এফসিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা আর্নোল্ড ইসোকোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা হেন্দুনা য়ুম্বু ওইখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মুম্বাই সিটিগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু মুম্বাইনা ১-০ দা হেন্দুনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকপদগী অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লৈখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মুম্বাই সিটিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা এটিকে অমসুং এফসি পুনে সিটি থেংনরগনি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর ভাকর অমসুং সৌরভনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড লৌখ্রে





*ক্বেট সিটি, নবেম্বর ০৯ঃ*

ক্বেটতা চথরিবা ১১শুবা এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর অমসুং সৌরভ চৌধরিনা জুনিয়র মিক্স এয়র পিষ্টোলদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স এয়র পিষ্টেল ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সুট্টর মনু ভাকর অমসুং সৌরভ চৌধরিনা পোইন্ট ৪৮৫.৪ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্বদা নত্তনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমসুং থম্বা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মনুং ভাকর অমসুং সৌরভ চৌধরিনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৭৬২ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দ অদুদা য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরভ চৌধরিনা ঙরাং জুনিয়র মেন্স এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড লৌবা ঙমখি। অমরোমদা লৈবাক অসিগী নুপী সুট্টর মনু ভাকর নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা মেডল অমত্তা লৌবা ঙমখিদবনি।

মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা চাইনা-এ গী পেয়র ৱাং কেয়ি অমসুং জিয়ে য়ুনা পোইন্ট ৪৭৭.৯ ফংদুনা লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা চাইনা-বি গী পেয়র ৱাং জিয়াওয়ু অমদি হোং সুকিনা পোইন্ট ৪১৩.৫ দা লৌবা ঙমখি। ব্রোঞ্জ লৌখিবা চাইনাগী বি টিম অসিনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

জুনিয়র মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র অভিদনিয়া পটিল অমসুং অনমোল জেন পোইন্ট ৩৭২.১ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি।

## *য়ুরোপা লীগ ২০১৮-১৯*

## চেলসি অমসুং সিভিলা মায় পাকখ্রে, লাজিওনা মার্সেল ২-১ দা থোইখ্রে



*চেলসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*বোরিসোভ, নবেম্বর ০৯ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ সিজনদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব চেলসি অমসুং স্পেনগী সিভিলা মায় পাকখ্রে, ইটালিগী ক্লব লাজিওনা ফ্রান্সকী ক্লব মার্সেলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এল' গী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা বেলারসকী ক্লব বাটে বোরিসোভপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইবা ঙমখি। চেলসি টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ মাঙজৌনবা য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোই ওলিভর জিরোদনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০ দা বাটে বোরিসোভপু থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'জে' গী ৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব সিভিলানা টর্কিগী ক্লব অখিসারস্পোরবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোই নোলিটোনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৩৮শুবা মিনটতা সিভিলাগী অতোপ্পা শান্নরোই লুইস মুরিয়েলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫২শুবা মিনটতা অখিসারস্পোরগী শান্নরোই ইলভিস মানুনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। ৭৮শুবা মিনটতা আখিসারস্পোরগী অতোপ্পা শান্নরোই ওনুর আয়িকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা টিম অনীমক ২-২ দা মান্নখি।

শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা সিভিলানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ইভর বানেগানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ৩-২ দা সিভিলানা মায় পাকখি।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ঐচ' গী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব লাজিওনা ফ্রান্সকী ক্লব মার্সেলবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা লাজিওগী শান্নরোই মার্কো পারোলোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫৫শুবা মিনটতা লাজিওগী অতোপ্পা শান্নরোই জোক্কিন কোরিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মার্সেলবু ২-০ দা হেন্দুনা চৎখি। শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা মার্সেলগী শান্নরোই ফ্লোরিয়ান থাউভিননা পাঞ্জল অমা চনখ্রবসু মেটচ অদু লাজিওনা মার্সেলবু ২-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## "এসিয়ান ফুটবোল কনফেদেরেসনগী ২০২০, টৌকিও ওলেম্পিক ক্বালিফায়িংদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল"

### এল. কালা, উরিপোক

২০২০, টৌকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপী ফুটবোল কাঙলুপ্তা শরুক য়ান্নবগীদমক মেম্বর ৪৭(নিফুতরেৎ) লৈবা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদেরেশন্দগীসু খ্বাইদগী অফবা টিম অনীখক খনগৎনবগীদমক টিম ২৫ (কুনমঙা) গী ওইবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ শান্নবা শেম শাদুনা শান্নবা হৌখ্রে। তশেংবদি এএফসিগী টিম অনীখক্তং ক্বালিফাইদ ওইদুনা য়াওগদবদা ২০২০, ওলিম্পিক গেমস অসিদদি জপান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবনা জপান্দি ওটোমেটিকেল্লি ক্বালিফাইদ ওইদুনা হৌজিক চথরিবা নম্বেবর ৪ (মরি) ২০১৮ দগী ১৩ ফাওবা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা লৈবাক মরিনা তোঙান-তোঙানবা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদা য়াওররোই। ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদা টিম ২৫ (কুনমঙা) না শরুক য়াগদবা অসিদা কনফেদেরেশন অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না অহানবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদা টিম ১০ (তরা) খনগৎনবগীদমক টিম ১৮ (তরানিপাল) গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্লি। অহানবগী গ্রুপ 'এ' অমসুং 'বি' দনা টিম মঙা। মঙানা শেন্নি। অদুগা 'সি' অমসুং 'দি' দনা টিম মরি-মরিনা শেন্নি। গ্রুপ এ দা (১) টাজিকিষ্টান্না য়ুম্বু ওইরগা (২) চাইনা তাইপৈ (৩) ফিলিপিন্স (৪) মোঙ্গোলিয়া (৫) সিঙ্গাপোর ওইরি। গ্রুপ বি দা থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা (১) ইরান (২) হোং কোং (৩) লেবানোন (৪) য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটস (৫) মকাওনা শরুক য়ারি। গ্রুপ সিদা ম্যান্মারনা য়ুম্বু ওইরগা (১) ম্যান্মার (২) ইন্দিয়া (৩) নেপাল (৪) বাংলাদেশ শরুক য়াদুনা ইন্দিয়া তাং ৮ নবেম্বর ২০১৮ দা নেপালগা অহানবা মেটচ শান্নবা হৌখি। গ্রুপ অসিদা ইনিদয়া তাং ১১, ২০১৮ দনা বাংলাদেশ অদুগা অরোইবা মেটচ ওইনা তাং ১৩ নবেম্বর ২০১৮ দা য়ুম্বু ম্যান্মারগা শান্নগনি। গ্রুপ দিদনা পেলেষ্টাইন্না য়ুম্বু ওইরগা (১) পেলেষ্টাইন (২) জোরদান (৩) ইন্দোনেসিয়া (৪) মালদিপ্সনা শরুক য়ারি।

কনফেদেরেশন অসিগী লৈবাক ২৫ (কুনমঙা) অসিগী মনুংদা লৈবাক অনী অমদি উজবেকিষ্টান অমসুং ভিয়েটনামনা বাই ফংদুনা সেকেন্দ রাউন্দগী শান্নবগী খুদোংচাবা ফংলি। অদুগা লৈবাক ৫ (মঙা) ওষ্ট্রেলিয়া, চাইনা, পিআর নোর্থ কোরিয়া, সাউথ কোরিয়া অমসুং থাইলেন্দ মঙা অসিসু বাই ফংদুনা থার্দ রাউন্দগী শান্নবগী খুদোংচাবা পীরি। এএফসিনা শেন্নিবা মওং অসি ফিফা ৱুমেন ফুটবোল রেঙ্কিং দা বেজ তৌরগা শেম্বনি। অহানবা রাউন্দগী ১৮ (তরানিপাল) অসিদগী ১০ (তরা) খনগৎলকপা অদুগা অনীশুবা রাউন্দদা বাই ফংলিবা টিম অনীগা পুন্না টিম ১২ (তরানিথোই) না অমুক গ্রুপ অমদা টিম মরি মরি থন্নগা গ্রুপ ৩(অহুম) থোক্না খাইদোক্তুনা শান্নহল্লগা গ্রুপ চেম্পিয়ন ওইবা টিম অহুম খনগৎলগা অহুমশুবা রাউন্দদা বাই ফংলবা টিম ৫ (মঙা) গা পুন্না টিম ৮ (নিপাল) গ্রুপ অমদা টিম মরি মরিনা শাদুনা গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্লগা গ্রুপ অমমমদগী চেম্পিয়ন, রন্নর্স খনগৎতুনা মরিশুবা রাউন্দদা গ্রুপ অমগী চেম্পিয়নগা গ্রুপ অমগী রন্নর্স অপকা হোম এন্দ এৱে মেটচ শান্নহন্দুনা চেম্পিয়ন অনীখক খনগৎতুনা ওলিম্পিক শান্নবা ফংহনগদৌরিবনি। এসিয়ান কনফেদেরেশনগী ওইনা। শান্নবা ফংগদৌরিবা টিম অনীনা ওলিম্পিক শান্নবা ফংনবগী পঙ্ছুং অসি য়ৌনবগীদমক লম্বীসিদা লানগদৌরিবা নমখাইগদৌরিবা পন অসি কয়াদা য়ামখ্রবনো অরায়বা অমত্তা ওইদে থেংনগদৌরিবসি। মসিদা ইনিদয়াসু য়াওদুনা মমাঙদা অমুক্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমদবা হন্দক্তি শোয়দনা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নবা ফংলগনি হায়বগী আশাদা চীফ কোচ মেমোল রোক্কী কেরলা মচা অসিনা অহানবা ইন্দিয়ান নুপী কোচ অমসু ওইদুনা ইন্দিয়ান টিম অসি লুচিংদুনা হৌখিবা থাংজদা ম্যান্মারদা শেম শাদুনা লৈখ্রে। হন্দক্কী ইন্দিয়ান টিম অসিদা মণিপুরগী নুপী মচা শান্নরোই ৯ (মাপল) অমসু য়াওবগা লোয়ননা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা চাওবা দেবী অমসুং গোলকিপর কোচ ওইনা রোনিবালা য়াওরি। মসিমক্তি লমদমসিগী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওইরি। অদুবু য়েংসি মমাঙ চহী খরদগী ইন্দিয়ানা ফুটবোলগীদমক হোৎনরিবা অসিনা এসিয়ান ষ্টেন্দর্দ অসি ফাওবদা কদাই ফাওবা চঙশিনবা ঙম্বগে হায়বদু। ফুটবোলদা নৎতনা ইন্দিয়া অসি মশান্না কয়াদা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি হায়রবসু কদাইদনো অমদি শোয়রিবা লৈবাক্তি হায়বদা লাল্লোই।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে, নুপাগী দবলসকী পেয়র রানকিরেদ্দি অমসুং সেথিসু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

FUZHOU CHINA OPEN 2018



*নুপী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী জপানগী নোজোমী ওকুহারা*

*ফুঝৌ, নবেম্বর ০৯ঃ*

চাইনাগী সিটি ফুঝৌদা চথরিবা য়ুএস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে। ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিসু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইনিদয়াগী পি ভি সিন্ধু ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হি বিংজিয়াওগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৭-২১,২১-১৭, ১৫-২১ দা মায়থিহৌদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু ক্বার্টর ফাইনেলদা থোইরম্বা চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারাগা শান্নরগনি।

জপানগী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই সায়াকা টাকাহসিবু ষ্ট্রেট গেম ২১-৪, ২১-১০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন য়ুফৈ অমসুং ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী কেরোলিনা মারিন থেংনরগনি।

চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ১৫-২১, ২১-৯,. ২১-১১ দা থোইরমখি। অদুগা স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুএসএগী ঝাংবু ২১-১১, ২১-১৩ দা থোইরম্বনি।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াখিবা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগী মখূত্তা ১৪-২১, ১৪-২১ দা মায়থিহৌখি।

চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দোনেসিয়াগী গিন্টিংবু ১৬-২১, ২১-১৪, ২১-১৪ দা থোইরম্বা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সি য়ুকিগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোবু ২১-১৭, ২১-১৪ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন লোংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র এম অহসান অমসুং ঐচ সেটিয়াৱানগী মখূত্তা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ১১-২১, ২১-১৬, ১২-২১ দা মায়থিহৌখি।

## নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলসকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ শেম্বা লোইখ্রে অহানবা সেমি ফাইনেলদা গ্রিসকী সিটসিপাস অমসুং রুশিয়াগী রুব্লেভ শান্নরগনি

*মিলান, নবেম্বর ০৯ঃ*

ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি মিলানদা চথরিবা নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলসকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ শেম্বা লোইখ্রে, অহানবা সেমি ফাইনেলদা গ্রিসকী ষ্টেফানো সিটসিপাস অমসুং রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোর অমসুং স্পেনগী স্পেনগী জাউমে মুনার থেংনরগনি।

নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অরোইবা মেটচতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা সেটতা সিটসিপাসনা হর্বর্টপু য়াম্না লায়না ৪-১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা পোলেন্দগী হর্বর্টনা সিটসিপাসপু অকনবা লম্বা পীরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি।

টাই ব্রেক অদুদা সিটসিপাসনা ৪-৩(৭-২) দা থোইদুনা সেট অনী মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা সেটতা গ্রিসকী শান্নরোই সিটসিপাসনা হর্বর্টপু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ৪-১ দা থোইরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অরোইবা মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা য়ুএসএগী টেলর ফ্রিটজবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইদুনা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকপদগী টাই ব্রেক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা য়ুএসকী ফ্রিটজপু ৪-৩(১০-৮) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা য়ুএসকী টেলর ফ্রিটজপু অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকপদগী ৪-১, ৪-২ দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।